ফ্রী আই স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসন্না এন পি সী বি (এন ঐচ এম) অমদি দেসাম, শুগনু লোকল কাউন্সীলগা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা ঙসি শুগনু চীং-তম কম্ম্যুনিটি হোলদা ফ্রী আই স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসনগী বিজিনেস দিভলপমেন্টকী দি এম প্রেমজিৎ লৌরেম্বমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অনাবা ১৫৪ রোম লায়েংখি। মসিগী মনুংদা ১৯না কেটরেক্ট, ৯না টেরিজিয়ম, ১না চলাজিওট লৈরে হায়বা খঙবা ঙমখি। কন্সল্টেন্ট ওপথালমোলোজিষ্ট ডা. য়েংখোম সৈলেন্দ্র অমদি শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসনগী ষ্টাফশিংনা অনাবশিং এগজামিন তৌখি। পেসেন্ট ১০ করেক্টিভ সর্জরিগীদমক শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসনদা চৎলগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এরিয়ার পীথোকপীয়ু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): খৃষ্টমাস মমাঙদা এরিয়ার পীথোকপীয়ু হায়না মণিপুর অঙ্গনৱাদি মহিলা ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সনাতোম্বীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হৌখিবা চহীগী দিৱালি মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নিংঙোল ওইবীশিংদা পীখিবা অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিংগী ওনরেরিয়ম লুপা ১৫০০, হেল্পরশিংগীনা লুপা ৭৫০ হেনগৎখি। মরী লৈনবা সোসল ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টর অমদি ষ্টাফশিংনা নিংঙোল চাক্কৌবা মমাঙদা পীথোক্লগনি হায়না থাজবা পীখি। থবক ওইনদি ওন্থোকখিদে। চহী অসিগী খৃষ্টমাস মমাঙদা পীথোক্লবা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি। ভারতিয়া মজদুর সংঘদা এফিলিয়ট তৌরিবা অঙ্গৱাদি মহিলা ওর্গনাইজেসনশিংনা সী এমগী পূক্লিং চিংশিল্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ফ্রী হার্ট কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(ঐচ এন এস): মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসননা স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ সেন্টর প্রাইভেট লিমিটেদ অমসুং ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকা খুৎশম্নদুনা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা সী আর পি এফকী কেম্পতা নোংমগী ওইবা ফ্রী হার্ট এন্দ ইকো স্ক্রিনিং কেম্প ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর হার্টফাউন্দেসনগী কোওর্দিনেটরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কেম্প অদুদা ফ্রী হার্ট ও পি দি, ফ্রী ইকোকার্দিওগ্রাফি, ফ্রী ঈ সী জি, ফ্রী দাইবেটিস দিটেক্সন টেষ্টকী খূদোংচাবসু ফংহনখি। লোয়ননা মথৌ তাবশিংদা লেম্না হীদাক-লাংথকশিংসু পীখি। কেম্প অদুদা পূন্না মীওই ৫২ লায়েংখিবগা লোয়ননা মীওই অনী অমদি ইকো ষ্টদি ফাইন্দিংসতা এবনোর্মেল ওইবা থেংনবদগী মখা তানা স্কাই হোস্পিটালদা এসেসমেন্ট তৌননবা পাউতাক পীখি।

কেম্প অদুগা মরী লৈননা মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসনগী প্রসিদেন্ট ডা. এল শ্যামকিশোরনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ফাউন্দেসন অসিনা ফ্রী হার্ট কেম্প পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা খূদোংচাবা কয়া ফংহন্দুনা লাক্লি। অসিগুম্বা মখলগী খূদোংচাবা অসি মীয়াম্নসু লৌবীনবা হোৎনবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

পল্ফকী এক্টিভিষ্ট ওইরম্বা নহা ১ কোর্টনা ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): চহী খরগী মমাঙদা মখল কয়াগী এক্টিভিটিশিং চথুখিবা লালহৌলূপ পিপলস য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট (পল্ফ)কী এক্টিভিষ্ট অমা ওইরমখিবা নহা অমা কোর্টনা মরাল লৈরে হায়দুনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫গী ফাইন পীননবা খঙহল্লগা চহী ১ গী ফাদোক পীখ্রে।

ঙসি সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্ট মাইবম মনোজকুমারগী কোর্টনা মরাল লৈরে লাউথোক্লদুনা ফাদোক পীরে হায়দুনা ওপন কোর্টতা লাউথোকখ্রবা নহা অদুগী মমিং এম দি ইথেম্বা এলিয়স জুমা খান (২৪) কৌই। য়াইরিপোক শিখোং থাঙতাবীদগী এম দি সলাম খানগী মচানুপানি।

মহাক্না লালহৌলূপসিগী এক্টিভিষ্ট ১ ওইরিঙৈ হৌখিবা কুমজা ২০০৪ গী ওগষ্ট ১৩ গী নুমীদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈরাও ময়াই লৈকায়দা লৈবা য়ুম অমদা লালহৌলূপ অসিদা পীফম থোকপনি হায়দুনা দিমান্দ তৌখিবা টাটা ত্রকশিংগী টেক্স লৌবা লাকখিবনি। ইমুংদুগী য়ুম্বুগী মমিংনা এম দি অব্দুল সলাম এলিয়স নহাতোম্বা (৪৬), অপোকপা এম দি অজিজুর রহমন কৌই।

মহাক্না ইমুংসিদা অতোপ্পা মীওই অনীগা লোয়ননা চঙশিল্লগা য়ুম্বু অসিদা হায়রিবা টেক্স অসি পীননবা দিমান্দ তৌখিবনি। মসিদা য়ুম্বু এম দি অব্দুল সলাম এলিয়স সনাতোম্বা মহাক্না মরী-মতা থোক্লবা এম দি জনামউদ্দিন অমসুং এম দি অজাদ খান কৌবা মীওই অনীগা লৈমিন্নরম্বনি।

মহাক্না টেক্সকী শেনফম অসি দিমান্দ তৌরুবদগী নাকল অনীগী মরক্তা অৱাই-অখুম তৌনরকপদগী মহাক্না পোইন্ট থ্রী-আইটকী রিভোলভর ১ (বোদি নম্বর-২৮০০১) পুথোক্লগা টেক্সকী শেনফম পীদ্রবদি হাৎকনি হায়দুনা কিহল্লুবনি।

মসিদা ইমুংসিগী য়ুম্বু য়াওনা মীওই অহুমদুনা মহাকপু ওভর পাৱর তৌরগা ফাখি। অদুগা মহাক্না লাকমিন্নবা অতোপ্পা মীওই অনীদুনা অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা মফমদুদগী নাম্থোক্লগা চেনখি হায়রি। মহাক্কী মশাদা চেক তৌরুবদা লোকেল মেদ বোম অমসু য়াওরম্বা থেংনখি হায়েরি।

মসিদগী য়ুম্বু অসিনা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌরকখি। রিপোর্টসিদগী পুলিস ষ্টেসন অসিনা মহাক অমসুং মহাক্কা লাকমিন্নখিবশিং অদুগী মথক্তা কেস এফ আই আর নম্বর- ৩৫(৮)২০১৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অসি আমর্স এক্টকী সেক্সন-২৫ (১-সী) অমসুং এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্টকী সেক্সন ৫ গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

পুলিসনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথুরবা মতুংদা মসিগী চার্জশীট চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা থাগৎলকখি। অদুবু মরুওইবা এক্যুইজ ওইরিবা এম দি ইথেম্বা এলিয়স জুমা খান য়াওনা অতোপ্পা কো-এক্যুইজ অনীগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌবদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন-৪০০ য়াওবদগী কেস অসিগী ৱায়েল চথনবগীদমক সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা কম্মিট তৌরকখিবনি।

মসিদগী কোর্ট অসিনা সেসন্স ত্রাইয়েল কেস নম্বর ৬ ওফ ২০১৮ লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল চথুরকখিবনি। অদুগা মমাঙ থাগী ২১ দা ফাইনেল হিয়রিং পাঙথোক্লগা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি।

ওর্দর অসিদা মহাকপু আর্মস এক্টকী সেক্সন- ২৫(১-বি) গী মখাদা মরাল লৈরে লাউথোক্লগা মহাক্কী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবা সেন্টেন্স হিয়রিংসু ঙসি পাঙথোকখি।

মহাক্কী ওর্দর ওফ সেন্টেন্সতা মহাক চহী ১ জেলদা ফাদোক লৈবগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫ ফাইন থিনবসু খঙহনখি। করিগুম্বা ফাইনগী শেনফম অসি মহাক্না পীবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম থা ১ গা শাংদোক্কনি হায়খি। অদুবু মহাক্না কেস অসিগা মরী লৈননা জেলদা লৈখিবা নুমীৎ ১২৩ গী মতমদি ফাদোক্কী মতম অসিদগী ককথগনি হায়খি।

ঙসি চথুখিবা কেস অসিগী সেন্টেন্স হিয়রিংদা মহাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা থৌদোক্তু থোকখিবা মতমদা মহাক মশাগী চহী ১৯ খক্তা শুখি। অদুবু হৌজিক্তি ময়ুম পান্দুনা মচা ৪ লৈরে। হিংনবগীদমক মহাক হৌজিক ওটোরিস্কো থৌরি। মহাকপু খ্বাইদগী নেম্বা থাক্কী চৈরাক পীবীনবা হায়জখি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী কোর্টকী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিদা নুমীৎতুদা মহাক্না লোয়ননা লাকমিন্নখিবা মীওই অনীগী মনুংদা এম দি রাজাওদ্দিন এলিয়স ইবোমচা এলিয়স খজিং (২৭), অপোকপা এমদি খৈরুদ্দিন, কৈরাও মক্তিং অৱাং লৈকায়দা লৈববুদি কেস অসিদগী এক্যুইট তৌরে হায়দুনা লাউথোকখি। মরম অসিনা বেলদা লৈরিবা মহাক্না ফর্নিশ তৌখিবা বেল বোন্দশিং অদুসু কেন্সেল তৌরে হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌদোকসিদা চেন্নরিবা অতোপ্পা অহুমশুবা মীওই ওইরিবা এমদি অকবর এলিয়স অখটর এলিয়স ফিরোজ খানদি কেস অসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পন্দুনা লৈরিঙৈদা শিখ্রবনি হায়রি।

আই এল পি চৎনরে হায়দুনা হরাউবগী মহুৎতা অথুবা মতমদা থবক তৌবিয়ু: ধিরেন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(ঐচ এন এস) : আই এল পি চৎনহল্লকপা অসি লমদম অসিগী ওইনা মপানগী মীওইশিংদগী ঙাকথোকচনবগীদমক য়াম্না ফৈ। অদুমকপু এক্ট অসি ফজনা রিগ্যুলেট তৌদুনা চৎনদ্রিঙৈ মমাংদা হরাউ নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী মহুৎতা করম্না এক্ট অসি মপুং ফানা চৎনহন্দুনা লমদম অসি মপান্দগী লাক্লিবা মীওইশিংদগী করম্না ঙাকথোকসিগে হায়বগী ৱাখল্লোনদা থবক তৌহন্নিংই হায়না ঙসি জে সী আই এল পি এসকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ৱাই কে ধিরেননা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, জোইন্ট কম্মিটি ওন ইনর লাইন পার্মিট সিষ্টম (জে সী আই এল পি এস)না চহী কয়াগী মমাংদগী মণিপুরগী মীয়াম্না তান্দুনা লাকপা ষ্টেট অসিদা ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনহল্লু হায়বগী মতাংদা খোঙজং কয়া চংশিন্দুনা লাকখিবনি। চংশিনখিবা খোঙজংশিং অদুদা আনন্দ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা তম্বা মহৈরোয় সাপম রোবিনহুদ লৈখিদে। অসিগুম্লবা খোঙজংশিংগা লোয়ননা চহী কয়া চংনা চৎথদুনা লাকখিবা দিমান্দ অসি হন্দক চহী পার্লিয়মেন্টগী নীংথম মীফমদা মণিপুরদা আই এ পি চৎনহল্লগনি হায়না লাউথোরকপা অসি জে সী আই এল পি এসনা থাগৎলি অমদি নুংঙাইবা ফোংদোকচরি।

মহাক্না হায়, ঙসি চীফ মিনিষ্টরদা জে সী আই এল পি এসনা করম্না মপান্দগী লাকখিবা অমদি লাক্লিবা মপানগী মীওইশিংবু রিগুলেট তৌগদগে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া য়াওরবা রিপর্জেন্টটেসন অমসু পীশিনখ্রে হায়খি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এক্ট অসিগী গাইদ লাইন অমদি রুলস শেল্লকপা মতমদা মমাংদগী জে সী আই এল পি এসনা তান্দুনা লাকপা ৱাফমশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা পাস তৌখিবা মণিপুর পিপলস প্রোটেক্টিভ বিলদগী করি-করম্বা প্রোভিজনশিং এক্ট অসিদা হাপচিন্দুনা য়াম্না ইফেক্টিভ ওইগদগে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া পুন্না খন্নমিন্দুনা মণিপুরদা এক্ট অসি মপুং ফানা চৎনহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা বেঙ্গল ইষ্ট্রন ফ্রন্টিয়র রিগুলেসন এক্ট চৎনরিবশিংদগী হেন্না মপুং ফাবা এক্ট অমা ওইহন্দুনা মণিপুর মীয়াম্না চহী কয়াদগী মঙজরক্লবা মঙলান অদু মঙফাওননবা য়াম্না ইফেক্টিভ ওইগদবা মণিপুর লৈঙাক্তা ফংলিবা রাইট অদুগী মতুংইন্না গাইদ লাইন অমা শেমদুনা চৎনহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা হোৎনবিয়ু হায়খি। লোয়ননা মহাক্না হায়, মণিপুরদা হান্নদগী লাক্তুনা লৈখ্রবা মপানগী মীওইশিং অমদি নৌনা লাক্তুনা লৈরিবা মীওইশিং করম্না মশক খঙদোক্কনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াদা য়ূম্ফম ওইরগা মণিপুর লৈঙাক্লা অমদি জে সী আই এল পি এসকা পূন্না থবক তৌমিন্নরবদি হেন্না মপুং ফাবা ইফেক্টিভ ওইবা এক্ট অমা ওইবা ঙল্লদুনা লমদম অসিদা আই এল পি মপুং ফানা চৎনহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখি।

য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): অসাম অমদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা হৌজিক লৈরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম অসি য়েংলগা থা অসিগী ১৮ দা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটর (বোট) তা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অনীরকশুবা রিজনল নোর্থ ইষ্ট মল্টি মীদিয়া কেম্পেন ২০১৯-২০ অদু য়ৈথোক্লে হায়না মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর হাওবম রোসিতানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মতম কত্তবা বন্দ শৌগৎকনি : কে এস ও

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী খেংজোই ব্লোক হেদ ক্বার্টরদা লৈবা মোদেল রেসিদেন্সিয়ল স্কুলবু চান্দেল ব্লোক হেদ ক্বার্টরদা লৈবা চিংখির ভিলেজদা হোংননবা তৌরকপগী মায়োক্তা কে এস ও, কে সী এ খেংজোই সব-দিভিজননা থা অসিগী ১৯ দগী এসিয়ন হায়ৱে (ইম্ফাল-মোরে) লম্বী মতম কত্তুনা থিংজিনগনি হায়দুনা লাউথোকখিববু কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও), তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

কে এস ও, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট থাংবোই লুংদিমনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না মতম কত্তবা ইম্ফাল-মোরে লম্বী বন্দগী খোঙজং অসিদা মহাক্কী কে এস ও, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টনা মপুং ফানা শৌগৎপগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু শৌগৎকনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, খেংজোই সব-দিভিজনগী কে এস ও অমসুং কে সী এনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি মরম চাই অমসুং মসিগী মায়োক্তা লৈরোইদবনি হায়রি। মহৈ-মশিনগী লমদা শোথরবা মফম অমদগী মোদেল রেসিদেন্সিয়ল স্কুল অসিবু হোংদোকখিনবা থৌরাং তৌরক্লিবসি মফম অদুগী মহৈরোয়শিংগী অফবা এদ্যুকেসন ফংনবগী খুদোংচাবা অদু মৎননবা হোৎনরকপনি হায়রি।

মাও কৈথেল হোং-হোংদুনা ফম্বা ৱারে, টেম্পরেরি মার্কেট ওইরবসু লৈঙাক্না শেম্বীয়ু : কপানি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): মাও কৈথেল চয়োল অমদা অনীরক হোং-হোংদুনা ফম্বদা ৱারে। অথুবদা চীফ মিনিষ্টরনা টেম্পরেরি কৈথেল অমা শেম্বীয়ু হায়না ঙসি সগোলবন্দ খন্নাম লৈরক লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা মাও মার্কেটতা মাও মার্কেট ৱিমেন য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কপানিনা ফোঙদোকখ্রে।

কপানি মাওনা হায়খি, কুমজা ২০১৫ দগী মাও মার্কেট অসি ফমদুনা লাক্লি। ঙসি ফাওবা মফম পীদ্রি। হোং-হোংদুনা ফম্লি। মসিদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙফম থোকই। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা চীং-তম অমত্তনি হায়রগসু ঙসি ফাওবা মাও মার্কেটকী অৱাবা কোকহনবা ঙমদ্রি। ইস্যু অমদি অচিনবা কয়া লৈবনা ঙমদবনি হায়দুনা খাংদুনা লাকপনি। কুমজা ২০২০ দদি নুংঙাইবদা য়াওজগে। মাও কৈথেল শাবদা মতম চঙগনি হায়রগসু টেম্পরেরি ওইবা মফম অমা হান্না পীবীয়ু। কৈথেল কাবা লাক্লিবসি নোংমগী চরা তাল্লিবা লায়রবা ঙাক্তনি। অথুবদা টেম্পরেরি মার্কেট পীবীয়ু। কছার রোদ এথলেটিক ইম্ফাল জিরিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ফৈরোইজম নবচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, খন্নাম কৈথেলদা ঙসি মাও কৈথেল ফম্বসি অহানবনি। মাওদগী লাক্লগা পোৎ য়োনবসিদা মতেং পাংফম থোকই হায়না শীঞ্জবনি। মখোয়গী পোথোক অসি চাবদা ফবা ঙাক্তনি। চীং-তমগী নুংশিনবা অমদি ইন্টিগ্রেসন পুরকপদসু লম্বী পীরিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

খন্নাম কৈথেল দিভলপমেন্ট বোর্দকী সেক্রেটরি বুধকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মাও কৈথেল অসিনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী তাঞ্জা ফংবদা নুংঙাই। চীংমী-তম্মীগী অপূনবগী নুংশিনবগী মরী অদুদা হরাওজবনি। নাগালেন্দদা পোৎ য়োনবা চৎপা মতমদা চঙহল্লকখিদবা অদুদা ইম্ফাল্লোমদা পুরক্তুনা য়োল্লকখিবনি। চীং-তমগী ওইবা মরী নকশিন্নবা ওইরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ওনলাইন স্কোলারশিপ রেজিষ্ট্রেসন ওফ ও বি সী প্রি এন্দ পোষ্ট মেট্রিককী মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): ওনলাইন স্কোলারশিপ রেজিষ্ট্রেসন ওফ ও বি সী (প্রি মেট্রিক এন্দ পোষ্ট মেট্রিক), এস সী পোষ্ট মেট্রিক্কী অরোইবা মতম শাংদোক্লে হায়না দিরেক্টোরেট ফোর ৱেলফ্যের ওফ ও বি সী এন্দ এস সীগী দিরেক্টর এন জি ভোগেন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ও বি সী প্রি মেট্রিক স্কোলারশিপ ২০১৯-২০, ও বি সী পোষ্ট মেট্রিক স্কোলারশিপ ২০১৯-২০, এস সী পোষ্ট মেট্রিক স্কোলারশিপ ২০১৯-২০ অমদি কনভর্সন ওফ ঈ বি সী টু ও বি সী/এস সীগী ওনলাইন স্কোলারশিপ রেজিষ্ট্রেসনগী অরোইবা নুমীৎ থা অসিগী ২৪ গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ওইগনি। ওনলাইন ভেরিফিকেসন এট ইনষ্টিট্যুট লেভেলগী ওইনা অরোইবা মতম কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ১৫ ফাওবা ওইগনি। ষ্টেকহোল্ডরশিংনা স্কোলারশিপকী প্রোসেসশিং হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা তৌবীয়ু। অকুপ্পা মরোল স্কিম ওফিসরদগী ওফিস অৱারগী মতমদা খঙবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, দিরেক্টর ও বি সী এন্দ এস সী, এন জি ভোগেন্দ্রনা থোকপা অতোপ্পা নোটিফিকেসন অমনা হায়, ইকনমিক দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা ও বি সী এন্দ এস সী কম্ম্যুনিটিগী ওইনা ষ্টেট প্লান ফন্দগী এসিষ্টেন্সকীদমক এপ্লিকেসন ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম অদু শাংদোক্লে হায়রি।

নুপী লালগী থৌনা ফবী ইমাশিং ঈকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): ৱাখল্লোন মান্নবশিং পুনশিন্দুনা শেমখিবা ৱিল ওফ চেঞ্জনা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ দা নুপী লাল নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা থৌনা ফবী ইমাশিংগী মফমদা লৈশু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে হায়না দল্লিয়ু ও সীগী প্রসিদেন্ট ঐচ রাহুলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, তুংগী য়ুন্বীরেলনি হায়না লৈরিবা নহাশিংনা খুন্নাইগীদমক লৌগদবা থৌদাং খঙমিন্নবা তাই। ঙসিগী মীরোলনা ইমা লৈবাক্কীদমক করিগুম্বা খরা তৌবা চঙই। ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, ত্রিপুরাদা ৮০শুবা নুপী লাল থৌরম য়াওবা চৎলুবা মণিপুরগী শক্লাইরবা এ সী নেত্রজিৎ, জেনরেল সেক্রেটরি, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিটি অমদি অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাং লোয়ননা ভাইস প্রসিদেন্ট গান্ধী তখেল্লম্বমবু অগরতালাগী তখেললৈমা তেংবাং লূপনা খুদোল তমদুনা হরাও-তয়াম্না ওকখি। লুপ অসিগী ওফিসতা প্রসিদেন্ট নিঙোম্বম রধিকানা ময়াই তাংবল লৌদুনা থৌরম অদু পাঙথোকখি। মণিপুরগী শক্লাইরবা লুচিংবশিংদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট রধিকা, ভাইস প্রসিদেন্ট খুন্দ্রাকপম প্রজাবতি অমদি সেক্রেটরি খোইস্নাম ওংবী বিরলানা খুদোলপোৎশিং খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরদগী নুপী লাল থৌরম য়াওবা চৎখিবা মীওইশিং তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। অচম্বা খুদোলপোৎ তম্বগা লোয়ননা নুপী লালগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াসু খন্ন-নৈনখি। থৌরমদুদা ত্রিপুরাগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

টেলিকাষ্ট তৌগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ৯লকশুবা সেসন হয়েংদগী হৌগদৌরিবা অসি দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালনা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌগনি হায়না দি দি কে ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর (পি)/(ঐচ ও পি) এল মনিবাবুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এসেম্ব্লী সেসন হৌবা নুমীৎ থা অসিগী ১৮ দগী থা অসিগী ২০ ফাওবগী সেসন অয়ুক পুং ১১ দগী হৌরগা লোইদ্রিবফাওবা নুমীৎ খুদিংগী লাইভ টেলিকাষ্ট তৌগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

সেদ্যুল কাষ্ট লিষ্টতা য়াওরিবা কয়া অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামদা নীংথিনা শেংদোকপীয়ু : কে এস এ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): সেদ্যুল কাষ্ট লিষ্টতা য়াওরিবা ধোবি, মুচি, নামসুদ্রা, পত্নি সুত্রধার অসি লমদমসিদা লৈ হায়না লৈঙাক্না লৌরগা লমদমসিগী মফম কদায়দা লৈবগে অমদি করম্বা মফমদা খুন্দারকখিবগে হায়বা শেংদোকপীয়ু হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী ভাইস প্রসিদেন্ট এস বিদ্যানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সেদ্যুল কাষ্ট অমদি সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্ট মোদিফিকেসন অমসুং সেদ্যুল কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল ত্রাইব ওর্দর এমেন্দমেন্টতা য়াওরিবা মণিপুরগী ওইবা এস সীগী লিষ্টতা ধোবি, মুচি, নামসুদ্রা, পত্নি সুত্রধার য়াওবগা লোয়ননা এস টি লিষ্টতসু কয়া অমা য়াওশিল্লিবা অসিগী মতাংদা লুপ অসিনা লৈঙাক অসিগী পূক্লিং চিংশিন্দুনা লাকপনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী য়াওশিল্লিবা লমদম অসিগী য়েলহৌমী ফুরুপ নত্তবা অমদি লমদম অসিদা লৈতবা ফুরুপ নৎত্রগা কাঙলুপ খরা লিষ্টতগী লৌথোক্লবা তকশিন্দুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনদে। ষ্টেট লৈঙাক্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতসু চে থাবা য়াওনা মথৌ তাবা থবকশিং ঙসি ফাওবা তৌদবা অসিগী মরম মীয়ামদা খঙহনবীয়ু।

লিষ্টতা য়াওশিল্লিবা কয়াসি মরম চাবা ওইব্রা হায়বদু লৈঙাক অসিনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লী সেসনদা ফোঙদোকপীয়ু। মীয়ামগী চিংনবা কোকহনবীয়ু। বর্মা অমদি মিজোরামদগী চঙলকপা কয়া অদুসু লমদমসিগী য়েলহৌমীনি হায়গদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং থোকহনবগা লোয়ননা মখোয়শিং অদুগী মরক্তা খরদি লমদমসিগী ইলেক্টোরেল রোলদা চনশিনখিবা কয়া য়াওরল্লোই হায়নিংঙাই লৈতবনা মীয়াম্নসু নুংনাংবা ফাওরি। লমদমসিগী য়েলহৌ ফুরুপ নত্তবশিং নারোন্দা চঙশিল্লক্লগা লৈরল্লবদি অমদি সেন্সস রিপোর্টতা য়াওশিনখিবা থোক্লবদি মদুনা তুংলমচৎতা ওইহল্লক্কদবা অকায়বা কয়া অদু ঙসিগী লৈঙাক অসিনা উবীদুনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌবীয়ু। কুমজা ২০২১গী সেন্সস হৌদ্রিঙৈমমাঙ্দা য়েলহৌ ফুরুপ নত্তবশিং অমদি লমদমসিদা লৈতবা ফুরুপশিং অদু লিষ্টতগী লৌথোক্লবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তকশিনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এক ভারত শ্রেস্থা ভারতকী প্রোগ্রাম মখাদা মেলা, কেম্প য়াওনা থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): এক ভারত শ্রেস্থা ভারত প্রোগ্রামগী মখাদা ফেষ্টিভেল/মেলা, মেদিকেল কেম্প অমদি হার্ট চেক অপ কেম্প ঙসি বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টর মোংশাঙ্গৈদা পাঙথোকখ্রে হায়না ১০৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট বিনোদকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফেষ্টিভেল/মেলা অদুদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াগী চীঞ্জাকশিং উৎখি। সাউথ ইন্দিয়াগী চীঞ্জাক, বিরিয়ানি (ভেজিটেবল এন্দ চিকন), গুলাবজমুন, সমোসা, লিট্টি চোখা, পানি পুরি, সুগরকেন জুইস, ঝালমুরিনচিংবা কয়াসু ষ্টোলশিংদা ফংহনখি। ফুদ ষ্টোল কয়া হাংদুনা মখল কয়াগী চীঞ্জাকশিং ফংহনখি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াগী কলচরেল প্রোগ্রাম মখল কয়াসু এক ভারত শ্রেস্থা ভারত কলচরেল টিমনা উৎখি।

স্পোর্টিং ইভেন্ট ওইনা রিং লংবা, স্পুন রেস, ম্যুজিকেল চ্যের অমদি মেজিকেল সোসু উৎখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা মেদিকেল কেম্প অমসু পাঙথোকখি। ফ্রী হার্ট চেক অপ কেম্প অমসু পাঙথোক্তুনা হার্ট চেক তৌবগী খুদোংচাবা ফংহনখি। মেদিকেল কেম্প অমদি ফ্রী হার্ট চেক অপ কেম্প অসি ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা চথুখি। স্কাই হোস্পিটালগী ডোক্তর টিম অমদি য়ুনিট ডোক্তরশিংনা মেদিকেল কেম্প অদুদা শরুক য়াখি। লমদম অদোমগী মীওই কয়া মেদিকেল কেম্প অদুদা অনাবা লায়েংখি। ফ্রী হার্ট চেকসু তৌখি। থৌরম অদুদা দি আই জি (মেদিকেল) ডা. অশোকুমার, ১০৯ বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট বিনোদকুমার, সী এম ও দিপক কুমার, দি সী কিয়াম রজিভ, এ সী, কে কে পাও, জুগল কিশ্বর অমদি অবোনমৈসু শরুক য়াখি।


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm
MATRIC TOPPERS OF 2019
1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
WINTER VACATION SPECIAL CAMP
CLASS I TO VII Starts on 19 December 2019 CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writers & Former Head Examiners
7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
13/01/20	English
15/01/20	S. Science
18/01/20	Maths
20/01/20	Science
22/01/20	Adl. Sub.
24/01/20	MIL

Last date of Form Submission 31/12/2019
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.
HL-P/5855/4/12-4/01

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) & CLASS -X(BOSEM)
4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30)
5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)
HSE Result 2019
19th POSITION HSE 2019
Rakesh Ningthoujam
FOUNDATION COURSE for
CLASS -X(BOSEM)
9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)
HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE
13th POSITION HSLC 2019 Nongmaithem Zeno
17th POSITION HSLC 2019 Jessica Wahengbam
23rd POSITION HSLC 2019 Kahajam Jaya Devi
24th POSITION HSLC 2019 Rushely Laishram
Faculties :
Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.
Special features :
→ Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
→ We provide printed probable questions and answers.
→ Hostel/Boarding for Boys &Girls. → Van Services
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol Contact : 8413855751